# লুচিং পুরেল অনী শুদ্রিবা কংলৈপাকনি

## (কংলৈপাকসি কংননবা কোৎথোকপীগনু, ময়োল চোংহনসি, লেপ্পীরো লন-থুম পৈশিনবদু)

– কর্নেল ঐচ সরত (রিটাইয়র্দ) –

অওনবা খরদি মতমগী মতুংইন্না উরক্লি। থায়না মমাঙঙৈদা থোকখিবা, উহৌদবা কয়া অমা মথং-মথং তারক্লি অমসুং উরক্লি। মঙলানগুম্বা মীওইবগী মপোকনি হায়বসি কাউনরি। মতম খরগী মালেমগী ফম্পাকসিদা শান্নরিবা কুম্মৈশিংসি উবদা থম্মোয়না নুংঙাইতবা, নোক্লিংবা, হঙ্গোইবা, য়েংনীংদবা, কপনীংবসু য়াওরকই। ৰাখল য়াম্না খনবা, পুন্সিগী অফবা-অচুম্বা লম্বীদা চৎকে খনদবা খুন্নাইনি হায়বসিদি খঙলে। অদুগা খুন্নাইসিগী থায়নদগী হৌজিক ফাওবদা চৎনরিবা ফম্নাইবশিংগী চৎলম-পরম, লমচৎ-শাজৎতি শীংথানীংঙাই ওইদ্রি। খঙলমদ্রিঙৈদা ইকায়খুম্ন রবসু খঙলবা মতুংদদি মখোয়গী মমি ফাওবা কংলৈপাক্তগী মাঙখিগনি। মতুংগী মীরোলশিংনা শোয়দনা থুগাইখিগনি, মখোয়গী মীতম মায়খুমশিং, মফম মফমদা থারম্বা মমিংশিংদু। ফত্তবা মীগী শক্তম্মু কনানা য়েংনীংবগে? লোইখ্রে, মফম খুদিংদা থেৎলম্বা শক্তমশিংদু। অরোইবা নাইবা তাইবঙ মীওইবগী মপোকনি।

মতমগী খোঙচৎ মতুংইন্না অফবা অঙাংশিং শোয়দনা থোক্লকখিগনি। অরানবা, চুমদবা পূম্নমক শেমদোক্লকখিগনি। হৌজিক ওইরিবা খুন্নাইসিগী ওন্ন-তৈনবা অমা লাকখিগনি। য়াহৌ ঙনবা, মরম মোকপা, তূম্বা-চাবা খঙদনা মীয়ামগী মকোক ওইনবা হোৎনবা অঙাংশিং খুন্নাইসিদা উরকখিগনি। ইজরিবা ঐহাক্তি অহোংবদু উবা ফংগনি থাজদে। অফবতা ওইরসনু হীরম খুদিংদা।

অহোংবা, অওনবা হায়বসি তাইবঙ মীওইবগী চৎনবীনি। ফত্তবদু অফবদা হোংদোকপা ঙমদ্রবদি তাইবঙসিদা হিংলম্বগী মমি ফাওবা লৈহৌরোই। খুন্নাইসিদা লিচৎ কায়বা মী মশীং খঙদনা হিংলি। মতমগী খোঙচৎনা মখোয়গী পুন্সিদু অদুম লোইখিগনি। মশানা মশাবু কনানো খঙজদবা মী অমত্তনা মীমাঙ থোক্লুবদা ইকায়বা নংগদৌবা ঙাক্তনি। মতম অমদা মীখলদা শেল য়েনবগী চৎনবীসি লৈরক্লরোই। খুন্নাইসি থম্মোয় শেংনা কৎথোকপগা লোয়ননা শেমগদৌবা মীশিং থোক্লকখিগনি।

খুন্নাইসিদদি করিসু লৈতবা চে মচেৎ (শেলনি হায়না চৎনরিবা) অসিনা মীওইবগী মপোক্তগী হেন্না মতিক মগুন হেল্লি। শেলনা মী লৈবা য়ারি। শেলনা মী ফাওবা শাবা য়াবগী ফীভমদা লৈরি। মীনা শেল শাবনি হায়বসি কাউখ্রবা খুন্নাইনি। চে মচেৎতুগী ঐদি করিসু নাচুংবা লৈরক্তে। ঙসিসু লৈতে। চে মচেৎতুনা লৈবা য়াবা মীদি ঐহাক নত্তে। মালেমসিগী লন-থুমনা লৈবা য়াদবা মী ওইবীয়ু। কুমজা ১৯৬০গী মতমদুদদি লৈকায় অমদা চাবা-থকপা ৰাৎতবসি ইমুং অনী/অহুমদগী হেল্লমদে। ইমুং অয়াম্বসি কৈথেলদগী ফৌ-চেঙ ৰাল্লগা চানরম্বা ঙাক্তনি। ৰানা-ৰানা হিংনরমখি। অদুবু মীওইবগী মীনুংশি হায়বদুদি য়াম্না লৈরমখি। অৰা-অনাগী মতেং য়াম্না পাংনরমখি। য়ু থকপা মী ইরৈ লৈরমদে। শা-ঙা কয়া চারমদে। য়েৰুম ফাওবা ইমুংগী লৈরংদা হৌরগা চারমদে। ইমুংগী মপালদা হৌরগা চানরমখি। ষণ চঙদনবা ৰাগী থোঙ্গাল পাল্লমখি। ইঙ্খোল অমগা অতোপ্পা ইঙ্খোলগা ইফাও ফাওনরকখি। খুন্নাইসি ফরমখি।

বৃটিশকী পোলিটিকেল এজেন্টনা লৈরম্বা (হৌজিক্লা রাজ ভবন) ফাওবসি Barbed-wire (তিঙ্খং তারা) না খারমখি। চাক্লাম খোঙচৎকী মতুংদা চেক্কী চেকপল খাখিবনি। চীফ মিনিষ্টরগী য়ুম অসিসু দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা লৈরম্বা য়ুমনি। কংলৈপাক অসি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (এস পি) অমখক্লা ঙাক্লল্লিবা লৈবাকনি। মীয়ামসি মরাল লৈরমদবা মফম ওইরমখি। ৰাখল ইনাক খুল্লমখি।

ইজরিবসিনা ৰাখল মুন্না খল্লগা, খঞ্জল্লুবদা খুন্নাইসিগী ঐখোয় পূম্নমক্কী পুন্সি মহিংসি অসুক য়াম্না অতোপ্পা মফমশিংগা (লৈবাকশিংগা) খেন্নরল্লিবসি করিগীনো হায়না ইতোমতা হংজখি? অহল ওইর-ওইরগা মপুন্সি চূপ্পা চাদা নাওদাদুনা, মশু-মচা মশীং খঙদনা লৈরবা, অহল ওইরবা, পুন্সিগী তুংগী লম্বী তেল্লবা ফাওবদা য়াম্না নুংশিনদনা হিংমিন্নখিবা ইমিৎমক্লা উহৌবা, নাকোংনা তাখিবদু হৌজিকসু কাউবা ঙমদে। ইমুংগী মপি মপানা অদুম তৌরবদি নুংশিনদ্রবদি ফনা য়াম্না চাওবা ফম্নাইবা ওইরমখিবগী মহয়দু পুমকং কংলবা উপাল-ৰাপালগা চপ মান্নখ্রে। তাইবঙ মীওইবগী মপোক্তা নুংশিবদগী হেনবা করি অমত্তা লৈতে। নুংশিবা ৰাৎপদগী ফত্তবা পূম্নমকসি ওইরক্লিবনি, থোক্লিবনি। অতোপ্পা লৈবাকশিংদদি অহল ওইরবা-ওইরবী য়াম্না নুংশিননা শিদ্রিবা ফাওবা হিংমিন্নে। থম্মোয় শেংনা নুংশিবসি মাঙখ্রে খুন্নাইসিদগী।

লৈমিন্নরিবা মপুরোইববু থাদোক্লগা বৃটিশ নুপা হনুবা অদুদা লৈমিন্নখিবদু নুংশিবা ৰাৎতুনা তৌখিবনি হায়জনীংই। চহী ১/২ খুদিংগী নুপা হোংবা নুপীসু খুন্নাইসিদা লৈতবা নত্তে। খুন্নাইসিগী ইচল ইচে ইচাশিংনা ঙাকপীগনি খঞ্জে। ৰাফম অসিদি চুমখ্রবা, তাবদদি য়াম্না



নুংঙাইতবনি। তেংপানবসিদা লৈরিবা নুপা অয়াম্বদা, নেগ্রো কাঙলূপসিদা ফাওবা খুন্নাইসিগী নুপীনা ময়ূম পাল্লি। অমুবা মীবু হন্থনা খনবগী ৰাখল নত্তে। জাতি খুদিংমক্তা নুপীশিংনা ময়ূম পানখ্রে। পুন্সিগী লৈপুন ওইরিবা নুপা-নুপী অমখক্কী খোঙচৎসি থায়নদগী তমথীখ্রবা শাহিং চাবা উমং-ৰামংদা লৈবা শা-ঙাদগী হেন্না হঙ্গোইনীংঙাই ওইরবা ফম্নাইবশিংনা হৌদোকপীরমখি। অসুম্না হোংদোকপীরমখি।

খুন্নাইসিগী লিচৎ-শাজৎ, পুন্সি মহিংদা অরোন অথুপ চৎপসি ঙসি ঙরাংগী ৰাখল/থবক নত্তে। ফরে, ফাওরে, মীয়াম্না ইকায়খুম্নে হায়রিবা মীওইদু ফাওবা হায়ফেৎ থিজিল্লুবদা তাইবঙপানবগী মীয়াম্না চৎনরিবা চৎলম পরমসি হেক্তা চৎলমদে। শা-ঙাগা চপ মান্ননা চৎপা মীশিং ওইরমখি। লাপ্পা য়েংলুবদা মী মাল্লমই। অদুগা নকশিন্না উরগদি মী ওইরমদ্রে। অসিনি খুন্নাইসিগী লমচৎ-শাজৎ লুদবগী থৌদোক্তি লোইবা শুকনাই নাইররোইদ্রবা মীথিবোং-মীতম্বালগী থবকশিংনি।

কংলৈপাক্কীদমক, মীয়ামগীদমক ফননবা পাঙথোক্লমদবা, তাইবঙপানগী চৎলম-পরম্বু ইকায়খুম্নরমদবা, মীওই অমত্তগী মমিং মীয়ামনা অমুক হন্না নীংশিংহনবগী মতম লোইখ্রে। মতমনা ফত্তবশিংগী মমিদু ফাওবা মাঙহনখিগনি। ঈ শেংদবা মচানুপানা মপাবু (ময়ায় তাংবলদা ফমখিবা) মথবাক্তা তানা থিল্লগা হাৎখিবা মফম অদুবু খুন্নাইসিগী নীংশিং খুভমনি হায়না খল্লিবশিংদুনি, ইজরিবা ঐহাক্লা পুমঙক ঙক্লিবদি। লমচৎ শাজৎ লুদবশিংগী মমিং অমত্তা কংলৈপাক্তা নত্তনা তাইবঙপানবগী অতোপ্পা মফম অমত্তদা থম্লোইদবনি। মচানুপীবু মচানুপীনি খন্থবা ঙমদবা মীগী মায়খুম থম্বা হৌনদে। মৰু ফংনা ফূক্তৎলগা মৈ থারগা মৈতাল ওলহনগদবনি।

খুন্নাইসিগী অশেংবা ঈদি কুমজা ১৭৩২দগী কংলৈপাকপু মাঙহননবা লাকখিবা মীতোপশিংদগী মাঙখ্রবনি। অৰাগী মতেং নীরুবদগী চহী তরেৎ খুন্তাকপা (কুমজা ১৮১৯) মতম অসিদসু খুন্নাই অসি হায়নীংঙাই লৈতনা মীয়াম্না ৰাখি। ময়ায় তাংবল মুন্নবদগী থোকখিবা থৌদোক ঙাক্তনি। মতম অদুগী ফম্নাইবশিংদগী করি অফবা তমজনীংঙাই ওইবা থবক অমত্তা য়াওখিবরা? ●

# অচৎ-অওক ১সুং নাক য়েৎতা লৈরিবা মীয়াম...

*লামায় ১গী মখা...* তৌরিবা দিজলগী ওটোরিক্সো য়াওনা পেসেঞ্জর গাড়ীশিংদদি য়াম্না খুদোংচাদবা মায়োক্লরে। পেসেঞ্জর গাড়ীশিংদা তোংদুনা চৎলিবা য়াওনা চাকা অনী পানবা গাড়ী মচাদা চৎথোক চৎশিন তৌরিবশিংদি উফুলনা মশাদা শেৎ-চারিবা ফিরোলশিং লৌবা য়াদ্রে। মমায়-মমিৎ উফুলনা পীক থল্লে।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিদি হায়ৰেগী শরুক অসিবু মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎনবগী অফবা থবক ওইরবসু হায়রিবা পান্দম অদু য়ৌবা ঙমদ্রিঙৈদা লম্বী অসিদা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীয়াম অমসুং নাক য়েৎতা লৈরিবা খুলশিংগী মীওই পূম্নমক লায়না পক্লক্লগদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে।

শেমগৎলিবনি হায়রিবা লম্বী অসিনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লবা মীওই কয়াগী ৰাকৎতগী ঙসি পাউচে অসিনা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিল্লুবদা মীয়াম্না ৰাকৎলক্লিবা ফীভম অদুমক চপ চানা থেংনখিবগা লোয়ননা অৰাং খুনৌ মমাঙ লৈকায়দগী চবুংবম শামুঙৌ কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোরকপদা এন ঐচ -৩৭কী লম্বী খূৎশেম অসিদি শা-ষণ ফাওবনা চৎতবা মফমদা শেমগদবা লম্বী খূৎশেমনি। লম্বীসিগী নাক য়েৎতা লৈরিবা অমসুং চৎথোক চৎশিন তৌবিরা মীওইশিং উফুল ৰাইফুলনা হকচাং শোক্লকপা য়াবগী অকিবা লৈরে। হিংনবগীদমক শ্বরদি হোন্দবা য়াদবনিনা তঙাইফদনা লম্বী অসি ফাওদুনা চৎপদা লায়না পোক্লক্কদ্রা হায়বগী মীপাইনরে। কোভিদ লাইচৎকী খম থেংবা পেন্দমিক মায়োক্লখ্রবা মায়কৈ অসোমগী মীয়াম্না হৌজিক অমুক্কসু লম্বী খূৎশেম অসিগী উফুল কিবদগী য়ারিবমখৈ মপান থোক্লদবা য়াওরে হায়খি।

নেসনল হায়ৰে ওইবনা লম্বীসিদা চাকা অনী পানবদগী হৌরদুনা অৰুম্বা পোৎলমশিং পুবা অচৌ অচৌবা ত্রকশিং ফাওবা মীৎকুপ কাংদনা চৎথোক চৎশিন তৌই। লম্বী খূৎশেম অসিসু হান্না লৈরম্বা ব্লেক টোপিংগী শরুকশিং কোৎথোক্লগা নূঙকুপ নত্তনা নূঙজ্রেংনচিংবা চাইশিল্লগা শেমগৎলকপনা মসিগী মথক্তা মখল কয়াগী গাড়ীশিং থৌজিল্লকপদগী উফুল খক্তা নত্তনা নূঙকুপ, নূঙজ্রেং ফাওবা পাইথোরক্তুনা অচৎ অওকশিংদা পালহনবা য়াওরে। মসিনা লম্বী অসিদা থৈনবা নৎত্রগা তুংদা মাঙদা চৎমিন্নবা গাড়ীশিংগী মরক্তা ফাওবা উন্নবা ঙমহন্দ্রে।

অফবা লম্বী ওইহল্লক্লবা হোৎনরবসু হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদি অপেনবা পোক্লদ্রে। অদুবু মীয়াম্না পাঙ্গল থোকপা ঙমজদবা অমদি ৰাকৎফম লৈতবদগী খোইদৌ শাওগৎলগা লৈনবা নত্তনা পাম্বে লৈত্রে। ফীভম অসি লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু খঙশিন উশিন্নদনা তূমিন্না লৈথোকপগুম তৌরি।

লম্বী শেন্নিবা কাঙবুনা করিগুম্বা মতমদা উফুল হৌদনবা নোংমদা ঈশিং অমুকখক চাইবসু য়াওই। চাইদবা নুমিৎসু য়াওই অদুবু নোংমদা অমুকখক্তমক ঈশিং চাইবনা লম্বী অসিদা চৎলিবা ট্রাফিক্কী ভোল্যুমগা চান্নদবদগী কান্নফম খঙদ্রে। লম্বী মশাং অপূম্বদা ফীভম অসি ওইহল্লকপগী মহুত্তা য়ারিবমখৈ মতেক মতেক লোইশিল্লগা লাক্লবদি মীয়াম্না মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবা অসি খরমখৈদি হন্থগনি হায়খি।

অৰাং খুনৌ মমাঙ লৈকায়গী য়ুথ ফ্রন্ট দিভেলপমেন্ট এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এল শান্তিকুমারনা ফোঙদোরকপদসু লম্বী অসি লোইশিন্দনা লৈবনা নোং চুরগনা লৈখোম-লৈনাং অমসুং ঈশিংনা চৎথোক চৎশিন য়াহন্দে অমসুং চৎলবসু কাপথোরকপা ঈশিং অমসুং লৈখোম-লৈনাংনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লি। লম্বী অসিগী ফীভম অসিদগী মীওই খরদি অতোপ্পা এয়রপোর্ট তাবা য়াবা লম্বীদা ওইনা চৎথোক চৎশিন তৌবসু য়াওরে। অদুগা লম্বী অসিদা তঙাইফদনা চত্তবা য়াদ্রগনা ছাটিন পায়দুনা নৎত্রগা রেন কোটনচিংবা শীজিন্নদুনা চৎপসু য়াওনরে হায়রকখি।

মরম অসিনা লৈঙাক্লা মায়কৈ অসোমগী মীয়াম অমসুং চৎথোক চৎশিন তৌরিবশিংগী য়েংবীরগা অথুবা মতমদা লম্বী শেম্বগী থবক অসি লোইশিলহন্নবা পাউতাক পীবিয়ু হায়খি।

অৰাং খুনৌ মমাঙ লৈকায়গী ৱার্দ নম্বর ১গী মেম্বর হাওরোকচম ইবোমচানা ফোঙদোরকপদসু লৈঙাক্লা মীয়ামগী পাট্টা পায়বা লমশিং খোপচিল্লিবা অসিগী মতিক চাবা কম্পেন্সেসন মতিক চানা পীগদবনি। মীয়াম্না মখোয়গী লমগী খাজনা লৈঙাক্তা চপ চানা পীদুনা লাক্লিবনি। মরম অসিনা লম্বী শেম্বদা য়াওখিবা মীয়ামগী লমগী কম্পেন্সেসনশিং মতিক চানা পীথোক্কদবনি। হায়ৰে অসি শেম্বদা লৈঙাক্লা ফুট ৭৫ য়ৌনা পাকথোরকপদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী অয়েৎপা, অপনবা নৎত্রগা অথিংবা পীবা লৈতে। অদুম ওইনমক ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসননা কোনবা মফমশিংদনা হায়ৰে অসিগী লম্বীগী শরুক্তা ফুট ৫০ রোম খক্তমক পাক্লগা আই এম সীগী ৰাংমদা লৈবা মফমশিংদনা ফুট ৭৫ রোম পাক্কনি হায়রিবা অসিগী মরমসু মীয়ামদা শেংদোকফম থোকই হায়খি।

# এক্স এম এল এ ডা. লোকেন...

*লামায় ১গী মখা...* ইম্ফাল পি এসকী ও সী, দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কম্মান্দোগী ও সী য়াওনা এদিসনেল এস পি অমসুং বোম এক্সপার্টশিং লাক্তুনা য়েংশিল্লখি। সী সী টি ভি কেমেরা ফুটেজগী মতুংইন্না বোম অদু গাড়ী মচাদা লাকপা মীওই অনীগী মনুংদা অমনা মেন রোদতগী হেক হাইজিল্লকপা মফম অমদা গাড়ীগা কোন্ননা লৈহৌরগা অতোপ্পা মীওই অমনা চঙলক্লগা প্লান্ট তৌরম্বনি হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা ডা. কে ঐচ লোকেননা ফোঙদোরকপদা মঙোন্দা দিমান্দনচিংবা তৌরকপা য়াওনা কিহন খংহনবা অমত্তা লৈতে অমসুং নুংঙাইনদবসু অমত্তা লৈতে। ঙসিগী থৌদোক অসিমক য়াম্না ঙক্লা থোকই। মঙোন্দা নুংঙাইতবা লৈরগসু মাঙজৌননা ৰারী শানবা য়াই হায়খি। হৌখিবা কুমজা ২০০০দসু মহাক্কী য়ুমগী মনাক্তা হেন্দ গ্রেনেদ অমা থল্লম্বগী থৌদোকসু থোকখ্রবনি। মহাক হন্দক জে দি -য়ুগী মীরেপ ওইখিবনি অদুবু ভোট কাহৌদবদগী মঙোন্দা পীরম্বা সিক্যুরিটিসু মতম খরা লৈরগা লৌথোকখ্রে হায়রি।

লোয়ননা ঙসিগী থৌদোক অসি করম্বা মীওইশিংনা করিগীদমক থোকহল্লল্লিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমখিদ্রি। অদুম ওইনমক থৌদোক অসিগী মতাংদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা থিজিন হূমজিনবগী থবক চথখ্রে হায়রি।

# লাইরিক ফোঙদ্রিঙৈদা কম্মিটিনা...

*লামায় ১গী মখা...* মতুং লাইরিক অদুদা আই পি সী সেক্সন ১২৪ (এ), ১৫৩ (এ), ১৫৩ (বি), ২৯২, ২৯৩ অমসুং ২৯৫ (এ) গী মখাদা সিদিসন য়াওনা মরাল লৈরবদি সী আর পি সীগী সেক্সন ৯৫ কী মখাদা লাইরিক অদু থিংজিনবা য়াই অমদি লাইরিক অদুবু ইরিবা অঙৈবা, পব্লিসর নৎত্রগা এদিটর অদুবু ফাবা য়াই। অদুবু মসি নত্তনা লাইরিক ফোঙদ্রিঙৈদা হান্না য়েংশিনগনি হায়বসি মরম চাবা ৰাৎলি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, দিফেমেসন নৎত্রগা কন্টেম্পট ওফ কোর্টকী মনুং চন্দ্রবদি মীয়াম পুনবা একাদমিক দিসকোর্স অমদা মীওই অমনা কন্না ৰা ঙাওবা য়াবগী রাইট লৈ। মীওই অমনা ৰা অকনবা ঙাওই হায়দুনা মীওই অদুগী মথক্তা এক্সন লৌখৎকদবা নত্তে। একাদমিকেল্লি থেংনদুনা মান্নবা পব্লিক দিসকোর্স অমা নৌনা শিন্দুনা মদুগী পাউখুম পীগদবনি। মসিগী মহুত্তা অকনবা ৰা ঙাওই হায়দুনা এক্সন লৌগনি হায়বসি লোনা য়াদবা ৰাফম্নি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা ওর্দর অমা থোক্লমদাইদা লিগেল এদভাইজর অমদি মরী লৈনবা লো দিপার্টমেন্টকা হান্না তানবিয়ু হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, মণিপুরদা হৌজিকসু লিকর প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১ অদুমক লৈরি। এক্ট অসি মুথৎখিবা ওইনা লমদম অসিগী মীয়াম্না খল্লিবা অদু লাল্লি। এক্ট অমা মুথৎপা হায়বসি লৈঙাক্লা হেক্তা মুথৎপা য়াবা নত্তে। এক্ট অমা লৌথোক্কে হায়রবদি এসেমব্লি মীফম্না ফিরেপ হান্না লৌগদবনি। হৌখিবা কুমজা ২০১৮ গী এমেন্দমেন্টকী মতুংইন্না হান্না লৈজরম্বা এক্ট অসি শেমদোক শেমজিন তৌনবা লৈঙাক্লা ফিরেপ লৌরকপনি। অমরোমদা লিকর রিগ্যুলেসন পোলিসি হায়না মিংথোনবা ড্রাফ্ট অমা সোসল মিদিয়াদা চাইথোরকপা অসি মমুৎ তাবা ৰাৎলি। লোগী মতুংইন্না ওর্দর অমা থোকপা মতমদা রিগ্যুলেসন অমদি পোলিসি হায়বা ৰাহৈ অনীমক অসি শিজিন্নবা য়াদে হায়খি।

# মণিপুরদা য়ুঙাংগী ঈচাও থোক্কদৌরব্রা...

*লামায় ১গী মখা...*এ ঈ-০২৫১দা বিয়র অমসুং য়ুঙাং পীক থন্না হাপ্পগা পুরকপা থেংনখিবনি হায়রি। ত্রক অসিদা পুরকখিবা য়ুশিংগী মনুংদা এম এল ৩৭৫গী মেকদোৱেল বোক্স ৯৩, এম এল ১৮০গী মেকদোৱেল বোক্স ৯৯, এম এল ১৮০গী রোয়েল ষ্টেগ বোক্স ১২, এম এল ৭৫০গী বিয়র (কিং ফিশর) বোক্স ৬৪, এম এল ৭৫০গী ওল্ড মোঙ্ক বোটুলশিং য়াওবা বোক্স ১৮০, এম এল ৫০০গী বিয়র (কিং ফিশর অমসুং টুর্বোগ) কী বোক্স ২০০ পূন্না বিয়র অমসুং য়ুঙাং বোক্স ৬৪৮ য়াওরমখি হায়রি।

বিয়র অমসুং য়ুঙাং পিক থন্না পুরকখিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা ভেরিফিকেসন চথবদা য়ুশিং অসিগী মপু মন্ত্রিপুখ্রিদগী রুপেস কুমার (২২) অপোকপা অনন্দি মহাতো কৌবা মীওই অমগীনি হায়বা খঙবা ঙম্লে হায়রি। অদুগা য়ু পিক থন্না হাপ্পবা ত্রক অসিবু থৌরকখিবা দ্রাইভর অদুগী মমিংনা এম দি অজিজ খান (২৮) অপোকপা এম দি অলিমউদ্দিন কৌই, লিলোং উশোইপোকপী কৈথেলদগীনি হায়রি।

ফাগৎলবা য়ু টাটা মপোৎ অসি মখা তাবা থবক লৌখৎনবগীদমক এক্সাইজ দিপার্টমেন্টতা শিন্নরগনি হায়না এস পি, এন হেরোজিৎ মীতৈনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

অনীশুবা থৌদোক্লা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তারকপদা জিরিবাম পুলিসকী মনুং চন্না লৈঙাংপোকপী আউট পোষ্টকী এ এস আই, এ কৃষ্ণনা লুচিংবা স্পেসল মোবাইল পেট্রোল য়ুনিটনা ইম্ফাল তম্না চঙলকখিবা টাটা গাড়ীশিং চ্যেক তৌবদা পুলিস আউট পোষ্ট অসিগী মনাক্তা টাটা ত্রক সী জি-০৪/এম ক্যু-৫৮৯৩ (সিলচরদগী ইম্ফাল তম্না লাকখিবা) ত্রক অসিগী মনুংদা ইন্দিয়ন মেদ ফোরেন লিকর পীক থন্না য়াওরম্বদগী ফাগৎলে হায়রি।

ফাগৎলবশিংনা এম এল ৫০০গী বিয়র (টুবোর্গ) বোক্স ৩৪, এম এল ৫০০গী কিং ফিশর বোক্স ২৪, এম এল ১৫০গী মেজিক মোমেন্টস বোক্স ১১, এম এল ৩৭৫গী মেজিক মোমেন্টস বোক্স ৩, এম এল ৭৫০গী মেজিক মোমেন্টস বোক্স ৩ য়াওনা পূন্না ত্রক অসিদা বিয়র অমসুং য়ুঙাংগী বোক্স ২০১ য়াওরমখি হায়রি।

ত্রক অসিবু থৌরকখিবা দ্রাইভর অদুগী মমিংনা ছটিসগরগী রাইপুরগী সোনগারি কবির নগর ভাং-টুগী হাওস নম্বর ২২৩দা লৈবা বিকাস কুমার টিৱারি (৩৭) অপোকপা উমা সঙ্কর টিৱারি কৌই হায়রি। ফাগৎলবা বিয়র অমসুং য়ুঙাংশিং অদু মখা তাবা থবকশিং লৌখৎনবগীদমক জিরিবামগী এক্সাইজ ওফিসতা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ৬কী অয়ুক পুং ৬ লোম তারকপদসু জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী স্পেসল মোবাইল পেট্রোল য়ুনিটকী টিম অমনা এন ঐচ-৩৭কী গুলার্থোলনদা লৈবা দ্রাইভর য়ুনিয়নগী ওফিস মনাক্তা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবদা জিরিবামদগী নোংনে তম্না লাকখিবা বোলেরো পিক অপ ভেন অমদগী এম এল ৩৭৫গী ওল্ড মোঙ্ক লিক্কি ৭২ ফাগৎখিবা থৌদোকসু লৈখ্রবনি হায়রি।

অয়াবা য়াওদনা য়াল্লবা য়ুঙাংশিং পুরকখিবা মীওই অদুগী মমিংনা জি গাইকাওলুং রোংমৈ (২১) অপোকপা জি জেদটচৈ রোংমৈ কৌই। মহাক অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী রঙ্গৈজাং খুলদা লৈবনি হায়রি। ফারবা য়ুশিং অসিগা কোন্ননা মহাক জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

# থৌনাওজম বৃন্দাগী অপুনবা লন থুমগী শেনফম...

*লামায় ১গী মখা...*ওফ বরোদাগী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ৪ ফাওবগী মনুংদা লুপা ১৩,০১১ লৈখি। অনীশুবদা বেঙ্ক ওফ মহারাষ্ট্রগী জোইন্ট একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ৪ ফাওবগী মনুংদা লুপা ৪৪,৬২৭ লৈখি। অহুমশুবদা এক্সিস বেঙ্কগী জোইন্ট একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ৫ ফাওবগী মনুংদা লুপা ২৭,০০০ লৈখি। মরিশুবদা এক্সিস বেঙ্ককী একাউন্টদা বেলেন্স অমত্তা য়াওখিদে। মখোয় অনীগী মীংদা ইনভেষ্টমেন্ট তৌখিবগী রিপোর্ট অমত্তা এফিদভিট অদুদা য়াওদে। মহাক্কী মীংদা কুমজা ২০০৯দা চাওরাক্লা লুপা ৬,৫০,০০০ লোম ওইগদবা হুইন্দাই-আই ২০ অমা লৈখি। কুমজা ২০১৫দা চাওরাক্লা লুপা ১৩,০০,০০০ লোম ওইগদবা হুইন্দাই ক্রেটা অমা লৈখি। কুমজা ২০১৭তা চাওরাক্লা লুপা ৩০,০০০ লোম ওইগদবা মারুটি সুজুকি অমসু লৈখি। মহাক্কী মপুরোইবগী মীংদা কুমজা ২০১৮দা চাওরাক্লা লুপা ২,৩০,০০০ লোম ওইগদবা রোয়েল ইনফিল্ড অমা লৈখি। কুমজা ২০১৯দা চাওরাক্লা লুপা ৬,০০,০০০ লোম ওইগদবা হুইন্দাই গ্রান্দ আই-১০ অমা লৈখি। থৌনাওজম বৃন্দাগী মীংদা চাওরাক্লা লুপা ৭,৮০,০০০ লোম ওইগদবা সনা মোহোর ১৫গী নেকলেস অমা লৈ। লোয়ননা চাওরাক্লা লুপা ৩,৬৪,০০০ লোম ওইগদবা সনা মোহোর ৭কী লৈ অমা লৈ। মহাক্কী মীংদা লাইসেন্স গন ওইনা রিভোলভর অমা অমদি এস বি বি এল অমসু লৈ হায়রি। মীরেপ ওইখিবী থৌনাওজম বৃন্দাগী অপুনবা লন-থুমগী শেনফম অসি লুপা ৩৩,৬২,৮৫৫ ওইখি। অদুগা মহাক্কী মপুরোইবগী অপুনবা লন-থুমগী শেনফম অসিনা লুপা ১০,৭৪,৬৩৮ ওইখি।

মখোয় অনীগী মীংদা এগ্রিকলচরেল লেন্দ, নন-এগ্রিকলচরেল লেন্দ, কর্মসিএল বিল্ডিং অমদি রেসিদেন্সিএল বিল্ডিং লৈতে। মহাক্কী গ্রান্দ টোটেল ওফ লাইএবিলিটিজ অসি লুপা ১,০১,৬৩৯ ওইখি। অদুগা মহাক্কী মপুরোইবগীনা লুপা ১০,৮১,১১৯ ওইখি। মহাক্কী মীংদা পেন্দিং ক্রিমিনেল কেস ৪ লৈ। লোয়ননা মহাক্কী কুমজা ২০২০-২১গী লাষ্ট ইনকম টেক্স রিটর্ন ফাইল্ডগী মতুংইন্না টোটেল ইনকম অসি লুপা ১,৪৭,৭৮০ ওইখি। লোয়ননা মহাক্কী মপুরোইবগী চহী অসিমক্কী ওইনা কুমজা ২০২০-২১গী লাষ্ট ইনকম টেক্স রিটর্ন ফাইল্ডগী রিপোর্টকী মতুংইন্না টোটেল ইনকম অসি লুপা ৩,০৯,৬৯০ ওইখি হায়রি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF VETY. & A.H. SERVICES**
**ꯁꯔꯀꯨꯂꯔ / CIRCULAR**
Imphal, the 5th October, 2022

**No. BVSc/TRG/2022-Vety.:** The result for the selection of candidates for undergoing B.V.Sc. & A.H. Degree Course for the academic session, 2022-23 has been declared and the details of which can be seen from the Notice Board of the Directorate of Vety. & A.H. Services, Manipur, Sanjenthong & the Departmental website vetymanipur.nic.in. Further, the selected candidates are hereby informed to attend the counselling on 7th October, 2022 at 10.30 A.M. (sharp) at the Office Chamber of the Director, Vety. & A.H Services, Manipur, Sanjenthong, Imphal with original copies of certificates, age proof, mark sheets, NEET (UG)- 2022 Score card, other relevant documents **(with 2 Xerox copies each)** and 2(two) recent passport size photographs along with their parent/guardian. In case of failure to appear on the stipulated date and time, it will be presumed that they are not interested to undergo the said training course and the vacant seats will be allotted to the wait list candidates.

2. Further, the wait list candidates are also informed to report on 7th October, 2022 at 11.30 a.m. (sharp) at the Office Chamber of the Director, Vety. & A.H Services, Manipur, Sanjenthong, Imphal with original copies of certificates, age proof, mark sheets, NEET (UG)- 2022 Score card, other relevant documents (with 2 Xerox copies each) and 2(two) recent passport size photographs for counselling along with their parent/guardian. In case of failure to appear on the stipulated date and time, it will be presumed that they are not interested to undergo the said course and chances will be given to the next suitable candidates.

Sd/- **Ng. Ibotombi Singh**
Director,
Vety. & A.H. Services, Manipur.

HL-P/4153/6,7



HL-B/7838/20/9-4/10